# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পেচি চীংখোঙদগী য়ান্নবা খুৎশু খুৎলাই ফাগৎলে।

২) খা নোংচুপ্পুগী হৌরকপা কুমগী নোং হয়েং ফাওবদা খা ভারতকী মফম খরদা য়ৌরবা য়াই।

অমসুং

৩) ড্রগ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবগী মতাংদা ভারত অমদি ম্যান্মারগী ৮ শুবা মীফম নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা পেচি চীংখোঙদগী য়ান্নবা খুৎশু খুৎলাই ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- এ.কে. রাইফল অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, হেন্দগ্রেনেদ মরি, দিতোনেতর ৪, ইন্সাসকী মেগজিন অনি, এ.কে. মেগজিন অনি, ইন্সাস এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, এ.কে নোমৈ মরু ২৫, তুয়েল্ব বোল্ট কাত্রিজ ৭, বাউফেং রেদিও সেট অমা অমসুং চার্জর অমা য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা য়াইরিপোক তুলিহল তৌপোকপীদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌবা অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাংগোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা হিয়াংথাং থোং মনাক্তগী লালহৌবা অমসু ফাখি।

সিএম (এল)ঃ ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ মণিপুর ষ্টেটকী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহগা উন্নখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নবা অদুদা শিন্মীশিংগী য়াইফনবা, থবক ফংহন্নবা অমদি শিন্মীশিংগী হক অমসুং শেল থুম অমদি সমাজিক্কী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ত্রেদ য়ুনিয়নশিংগী থৌদাংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। শিন্মীশিংগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি মরোমদোম লেপচবা অমসুং পুন্না চাওখৎমিন্ননবগী খুদোংচাবা ফংহনবা হায়বসি সরকারগী অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

মণিপুরগী হান্নগী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখি। রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্ষা ঙাকবা মহাকা লৌরম্বা থৌদাংবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি অমদি মহাকা লৈবাক অসিগী অনৌবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা হেন্না পাকপা ওইরসনু হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

কেম্প (এল)ঃ রেবিস অমসুং স্ক্রপস তাইফদসকী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা থৌরম অমা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী নোংগ্রেন কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। আই.সি.দি.এস ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই কয়া লায়না মখল অনি লৈব্রা হায়না চ্যেক তৌখি। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা রেবিস অমসুং স্ক্রপস তাইফদসকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতিনা শিন্দুনা লম্বোই খোঙনাংখোঙদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা টি.বি. মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা মীওই কয়া টি.বি. লায়না লৈব্রা হায়না ঈ চাংয়েং তৌবা

অমসুং এক্সেরে লৌদুনা তোঙান তোঙানবা মখলগী লায়নাশিং লৈব্রা হায়না য়েংথোকখি। কেম্প অদুদা লৈবা মীওই ৮০ হেন্না হকচাংগী চ্যেকঅপ তৌখি।

সাইকল (এল)ঃ মালেমগী বাই সাইকল নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। কুমজা ২০১৮ দগী হৌনা য়ুনাইতেদ নেসন্সনা চহি খুদিংগী জুন ৩ দা নুমিৎ অসি পাঙথোক্কুনা লাক্লি। অশংবনা পুমথন থল্লবা তুংলমচৎকীদমক সাইকল থৌবা হায়বা হিরমসিদা মণিপুরদসু নুমিৎ অসি পাঙথোক্লি। ওল মণিপুর বাই সাইকল এসোসিয়েসন্না তোঙান তোঙানবা লুপশিং পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী অকোইবদা সাইকলগী রেল্লি অমা চৎখি। এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ডাঃ ঙাঙোম অরুনকুমার সিংহনা হায়- তুংদা লাক্কদবা পুন্সিদা অকোইবগী ফিভম হেন্না ফবা ওইহন্নবা পান্দমদা রেল্লি অসি পাঙথোকপনি। ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা রিমস হোস্পিতালদগী ফয়েং ফাওবা চৎখিবা রেল্লি অদুদা পুন্না সাইক্লিষ্ট ৩০০ হেনবদা শরুক য়াখি।

দিস্কসন (এল)ঃ নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ নেচরেল সাইন্সেস তোকিও, জপানদা এষ্ট্রো ফিজিসিষ্ট ওইরিবা ডাঃ রোনাল্ডো লাইশ্রমগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল কলেজগী সেমিনার হোলদা পাঙথোক্কনি। কেরিয়র কাউন্সেল্লিং সেল ইম্ফাল কলেজ, ইম্ফালনা শিনবা থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এম. চন্দ অমদি আই.সি.টি.এগী প্রসিদেন্ট ডাঃ এল. ইবুঙো সিংহনচিংবা শরুক য়াগনি।

ডে (এল)ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী শরুক অমা ওইনা দ নোর্থ ইষ্ট আর্তিসান ফোরম শোইবম লৈকাইনা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগা খুৎশমরগা নুমিৎ হুমি চথুগদবা থৌরম ঙসিদগী হৌরগনি।

তুংগী পুন্সি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক ঙসি হায়বসি ঙাক শেন্দুনা থল্লশি হায়বা পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা এম.এল.এ- থাংজম

অরুনকুমার অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দিরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমার সিংহ্ শরুক য়াগনি।

নোং ঃ খা নোংচুপ্তগী হৌরকপা কুমগী নোং হয়েং ফাওবদা খা ভারতকী মফম খরদা য়ৌরবা য়াই। মেট বিভাগনা হায়- কুমগী নোং অসি হয়েং কেরলাগী মফম কয়াদা য়ৌরক্লগনি। খা নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোং অসি মখা তানা লক্ষদ্বিপ ঈথৎ, তামিলনাদু অমসুং খা-নোংপোক থংবা বঙ্গোপ সগরদা হয়েং ফাওবদা য়ৌরক্লবা য়াই।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-ইম্ফালনা সেন্টরগী পাউ মতুংইন্না রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই। রাজ্য অসিগী ওইনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাদা নোং খ্বাইদগী চুখি।

ম্যান্মার ঃ ড্রগ লাকশিনবদা মতেং পাংনবগী মতাংদা ভারত অমসুং ম্যান্মারগী ৮ শুবা লৈবাক অনিগী ওইবা মীফম ঙরাং নিড দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। ভারতকী মীহুৎ কাংবু অদু নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরোগী দাইরেক্তর জেনেরেল অনুরাগ গর্গনা লুচিংখি, ম্যন্মারগী মীহুৎ কাংবু অদুনা সেন্ত্রেল কমিতি ফোর ড্রগ এব্যুস কন্ত্রোলগী জোইন্ট সেক্রেতরি থান লিৱিন মোংনা লুচিংখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরোনা হায়- মীফম অদুদা লৈবাক অনিনা লমদম অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ড্রগ লল্লোনবগী মওং মতৌ, ইন্তেলিজেন্সকী ওইবা পাউ পীনবা, পুন্না ওপরেসন চখবা, সিন্থেতিক্স ড্রগ লাকশিন্নবা হোৎনবা, আইন কায়না কানি থাবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। লৈবাক ৱাংম লান্না ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা অমসুং হিংশাগী থবক চখবশিংগী মায়োক্তা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা হায়নসু য়ান্নখি।

এৱার্দ ঃ প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার ২০২৬ কীদমক সরকারনা মীং পীখৎলকবা হায়রি। তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবা অঙাংশিংদা রাষ্ট্রপতিনা লেমজনিঙাই ওইরবা মনা অসি খুৎশিন্নগনি। মনা অসিগীদমক মীং পীশিল্লকপগী অরোইবা মতম মথং থাগী ৩১ নি। থৌনা ফবা, সোসিয়েল সার্ভিস, ইনভাইরোনমেন্ট, স্পোর্টস, আর্ট এন্দ কলচর অমসুং সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক চহি খুদিংগী মনা অসি খনগৎলবা অঙাংশিংদা পীদুনা লাক্লি।

কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়- নেসনেল এৱার্দ পোর্তেল- এৱার্দস দোট গোভ দোট ইনগী খুত্থাংদা নোমিনেসন পীশিল্লকপা য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নার্কো তেরোরিজমগী থবক অমত্তা ওইনা থেংননবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

টোটেল চথরুবদুদি হন্দোকখ্রে, পোৎ পুবা ত্রক ৫৩৭ জিরি লম্বীদা, ৪৫০ না দিমাপুর লম্বীদা পনদুনা লৈরি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

দোনর মিনিষ্টরনা ভারচুয়েল ওইনা পোলোগী মতাংদা খন্নখ্রে। মিনিষ্ট্রিগী শেন্থং মখাদা মণিপুরবু পোলো কেপিটেল হায়না মশক তাক্কদৌরি হায়বা পাউনা পোকফমদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

অহানবা নেতিভ পিপলস কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে, নেতিভ পিপলসনা নার্কো তেরোরিজম, এক্সটর্নেল এগ্রেসন পুন্না থেংনমিন্নবা হায়বা য়াওনা ৱারেপ ১২ সু লৌখ্রে হায়বা পাউনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম অমসুং দ পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউনা বজারদা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপগী মীংদা মীয়ামদা অৱাবা পীবসি লাইবক থিবনি হায়না হান্নগী এম.এল.এ- ডাঃ খ্বাইরাকপম লোকেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরকখিবা শিল্লোং মণিপুরী রাজবারি শিংকুপ শানা থুদেকখিবা থা ৭ হেঞ্জিল্লক্লে, অনৌবা অমা শগদৌরিব্রা নত্রগা শারোইদৌরিব্রা হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হোম মিনিষ্টর গোবিনদাস কোন্থৌজমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিাল য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) হৌরগনি, মরী লৈনবা ইলেক্তরশিংনা চে চাং পীশিন্নবা দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমারনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা নেসনেল হাইৱে-১০২ দা ফাজিনখিবা নাগাগী মীওই ৬ থাদোরকবগী খোঙজং চথরি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল (জে.টি.সি)না কৌখিবা ইম্মরজেন্সি সটদাউন ঙরাং লোইশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------